১৩শুবা ষ্টেট লেভেল জিট কুনে-দো চেম্পিয়নশিপ

# হৌদোকপা নুমিৎতা পামহৈবনা গোল্ড লৌখ্রে



**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):** জিট কুনে-দো এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসিদগী হৌরগা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ১৩রক শুবা ষ্টেট লেভেল জিট কুনে-দো চেম্পিয়নশিপ ২০২৪ হৌদোকখ্রে। হৌদোকপা নুমিৎকী চহী ১০গী বোইজ লাইট কন্টেক্টকী কেটগোরিদা থৌবালগী নামৈরাকপম পামহৈবনা গোল্ড লৌখ্রে।

ঙসি হৌদোকপা নুমিৎকী ওইনা চহী ১০গী (কেজি ২২-২৪) বোইজ লাইট কন্টেক্টকীদা থৌবালগী অবুজম বিদ্যাচন্দ্রনা সিলভর মেদল লৌখি। চহী ১০গী বোইজ ফুল কন্টেক্টকীদনা থৌবালগী নেলসন অথোকপম অমসুং পিবা সোইবমনা গোল্ড অমসুং সিলভর লৌখি। চহী ১৪ (কেজি ৪৫-৪৭) বোইজ লাইট কন্টেক্টকী ওইনসু থৌবালগী ওষ্টিন সোরাইসম অমসুং কোন্থৌজম খেলেন্দ্রোনা গোল্ড অমসুং সিলভর লৌখি। চহী ১২ (কেজি ৩৮)গী বোইজ ফুল কন্টেক্টকীদা থৌবালগী মুতুম মঙালনা গোল্ড অদুগা বিষ্ণুপুরগী সরাংথেম লমঙানবনা সিলভর লৌখি। চহী ১৭ (কেজি ৫৫-৫৮)গী বোইজ লাইট কন্টেক্টকীদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সলাম হেনবা মৈতৈনা গোল্ড লৌখি। চহী ১৯গী বোইজ লাইট কন্টেক্টতনা বিষ্ণুপুরগী ৱাইখোম ইথোইনা গোল্ড, চহী ১৪গী বোইজ লাইট কন্টেক্টকীদা বিষ্ণুপুরগী যুরেম্বম রোহিটনা গোল্ড অদুগা থৌবালদগী গ্যানবাজ হাওবমনা সিলভর লৌখি। চহী ১০গী বোইজ লাইট কন্টেক্টকীদনা থৌবালগী থিঙুজম থৌজালনা গোল্ড অদুগা বিষ্ণুপুরগী আর কে লনচেনবনা সিলভর লৌখি।

অমরোমদা, ঙসি হৌদোকখিবা থৌরম অদুগী ওইনা খাঙবোক এ সীগী এম এল এ ওক্রম সূর্য্যকুমারনা অথোইবা মীথুংলেন, জিট কুনে-দো এসোসিএসন মণিপুরগী ফাউন্দর প্রসিদেন্টসু ওইরিবা রিটায়র্দ আই পি এস ডা. এ কে ঝলজিৎনা থৌরম মপূ অদুগা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. সোরাইসম মনাওতোন, জে দি (য়ু) মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী জেনরেল সেক্রেটরি সঞ্জয় অহন্থেম অমদি মৈতৈ কম্যুনিটি জোইন্ট কো-ওর্দিনেটিং কম্মিটি (এম জে সী সী)গী ভাইস প্রসিদেন্ট অসেম সুরচন্দ্রনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা এম এল এ সূর্য্যকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, জিট কুনে-দো এসোসিএসন মণিপুরনা শীন্দুনা চহী নৌরিবা অঙাংশিংগী ওইবা চেম্পিয়নশিপ অমা পাঙথোক্লিবা অসি ঐখোয় খূদিংমক্না পূক্নিং থৌগৎফম থোকই। মমা-মপা ওইবশিংনসু মচাশিংবু শান্নবগী লম্দা পুশিন্দুনা মশা-মউ ফনা লৈহন্নবা হোৎনগদবনি হায়খি।

# চিঙ্খৈহুনবা অমদি ন্যু ভিজন মায় পাকখ্রে

**থৌবাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):** মণিপুর হোর্সরাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা ন্যু ভিজন ওর্গনাইজেসন য়াইরিপোক তোপ চিংথানা শীন্দুনা থা অসিগী ১৯দগী হৌরগা টিম ১৩না শরুক য়াদুনা তোপ চিংথা নিংথৌনাইগী শান্নবুংদা চথুরকপা অহানবা ষ্টেট লেভেল কোহে (ইরৈচা) পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব অমসুং হোষ্ট টিম ন্যু ভিজন মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লবনা খুমন পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৯-০দা মায়থীবা পীখিবনি। অনীশুবা গ্রাউন্দদা ন্যু ভিজন পোলো ক্লব (এ) অমসুং নোংপোক অপূনবা পোলো ক্লবকী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ন্যু ভিজননা পাঞ্জল ৯-২দা মায় পাকপা ঙমখিবনি। হয়েং অহানবা গ্রাউন্দগী মেটচতা থাংমৈবন্দ পোলো ক্লব অমসুং ন্যু ভিজন পোলো ক্লব (বি) অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দদনা ব্লেক ৱাটচ অমসুং চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব লম্বা তৌনগনি।

# মরিরকশুবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২৪ হৌদোকখ্রে



**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):** থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিএসন (থৌদাবা)না শীন্দুনা থা অসিগী ২০ ফাওবা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা চথগদবা মরিরকশুবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২৪ ৱাংজিং হৈতুপোকপী অৱাং লৈকাইদা লৈবা মহেশ বোক্সিং একাদেমি (এম বি এ)দা হৌদোকখ্রে।

ঙসিদগী হৌদোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা খাঙবোক এ সীগী এম এল এ সূর্য্যকুমার ওক্রম, সাইগী রিটায়র্দ এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর কে মাইকেল, দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসর থৌবাল দেবেন মোইরাংথেম, আই আর ঈ ৱাংজিংগী প্রিন্সিপাল ডা. এন রজিব কুমার অমদি ৱাংজিং গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান নোমিনী টি বিমোলনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মিনি, সব-জুনিয়র, জুনিয়র (বোইজ এন্দ গর্লস) অমদি য়ুঠ/ইলিট (নুপা অমসুং নুপী) হায়বা তোঙান-তোঙানবা ৱেথ কেটগোরিশিংদা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা পূন্না বোক্সর ৬৫ রোম্না শরুক য়ারি। হৌদোকপা নুমিৎতা পূন্না বাউট ১৯ শান্নখি।

# কংলৈ মুক্না চাংয়েংনবা হৌদোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):** ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক)না মহৈরোয়শিং খক্তগী ওইবা ইনাৎকী মশান্না য়োকখৎসি হায়না মিংথোনবা কংলৈ মুক্না চাংয়েংনবগী কম্পিটিসন অমা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ডা. কমল ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা প্রোফেসর লাইশ্রম থম্বাল, হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ফিজিকেল এদ্যুকেসন এন্দ স্পোর্টস সাইন্স, সুককী এদভাইজর লাইখুরাম জয়ন্ত অমদি সুক হেদ ওফিসকী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম ধনকুমার মৈতৈনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা প্রো. এল থম্বালনা হায়, য়েলহৌ মশান্নশিং অসি শেমদোক-শেমজিন তৌদুনা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবা মথৌ তাই। য়েলহৌ মশান্নশিংদা শোন্থরিবা অসি ওজা অমদি হৌগৎলক্লিবা নহাশিংনা থিজিনবা ৱাৎপদগীনি হায়না খল্লি। হান্না লৈজরম্লবা অসিগুম্বা মশান্না অসিগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা তানদুনা একাদেমিক সেলেবসতা য়াওহন্নবসু কন্না হোৎনরি হায়খি।

# ষ্টেট লেভেল মিষ্টর নেচরেল মণিপুর চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):** ইন্টরনেসনল নেচরেল বোদি বিল্ডিং এসোসিএসন (আই এন বি এ) ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা ইন্টরনেসনল নেচরেল ফিজিক এন্দ ফিটনেস গিল্ড মণিপুর, আই এন বি এ মণিপুর হায়রগসু খঙনবা এসোসিএসন অসিনা শীন্দুনা সগোলবন্দ ইপূ মোইরাং হনুবা কম্যুনিটি হোলদা মথং থাগী ১৪দা অনীরকশুবা ষ্টেট লেভেল মিষ্টর নেচরেল মণিপুর চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি। চেম্পিয়নশিপ অসিগী অকুপ্পা মরোলগীদমক মোবাইল নম্বর ৯৮৫৬৪৬০২২১, ৯৭৭৪৭৯১৮২৪, ৯৬১২৩৪৬৩৩২, ৯৮৬২০৩৮৭৪৫দা পাউ ফাওরকপা য়াগনি হায়রি।

SDJM HR. SEC. SCHOOL, PAONA BAZAR/GHARI AWANG
FELICITATION TO COMMERCE TOPPERS
COHSEM HR SEC EXAM 2024

| 3rd Position | 5th Position | 3rd Position of our School |
|---|---|---|
|  |  |  |
| LONGJAM AMAN<br>S/O RASHITOMBI & NISHIKANTA<br>Of Sagolband Tera Bazar | THOKCHOM SURAJ<br>S/O INDIRA & PREMKUMAR<br>Of Nambol Kabowakching | PAONA CHABUNGBAM<br>S/O ABITA & RATANKUMAR<br>Of Khurai Puthiba Leikai |


ADMISSION OPEN FOR 2024-25
SCIENCE AND COMMERCE
A LAND MARK FOR COM. STUDENTS WITH MATHEMATICS

HL-P/10781/17.19.21

CHANAKYA IAS ACADEMY

3 Decades of Excellence, Extraordinary Results Every Year, 5000+ Selections in IAS, IFS, IPS and other Civil Services so far...
Delhi's prestigious institute proudly announces its 2nd Batch at Imphal
Upgraded Foundation Course 1 Year — For Graduation final year & above students — Targeting UPSC CSE 2025
Upgraded Foundation Course 2 Years — For Graduation second year & above students — Targeting UPSC CSE 2026
Upgraded Foundation Course 3 Years — For XII Passed/Graduation 1st year students — Targeting UPSC CSE 2027
Batch Date: 20th June, 2024
Last Date of Admission: 18th June, 2024
PREPARE FOR UPSC/MCSCC FROM CLASS 12th
Admission Open for Regular & Weekend Batches
Limited Seats Available
Join & fulfil your dream to become an IAS/IFS/IPS Officer!
For details, Call @ 69099 07134 SUNDAY OPEN
CHANAKYA IAS ACADEMY SINCE-1993
Imphal Centre: South Babupara, Near Babupara Durga Mandir (Airtel Building), Imphal West - 7950014
Toll Free No: 1800 274 5005 | www.chanakyaiasacademy.com
HL-B/8711/7/5-5/6

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 1132

**Vladimir Sr Bukal (2432) - Slobodan Ivic**
**Ribnica (2), 1979**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.c4 e5 | 2.Nc3 Nf6 | 3.Nf3 Nc6 | 4.e4 d6 |
| 5.d4 Bg4 | 6.d5 Nd4 | 7.Be3 Nxf3+ | 8.gxf3 Bh5 |
| 9.Be2 Be7 | 10.f4 exf4 | 11.Bxf4 Bg6 | 12.Bf3 Nd7 |
| 13.Qd2 O-O | 14.O-O-O f5 | 15.Rhg1 Bf6 | 16.exf5 Bxc3 |
| 17.bxc3 Bxf5 | 18.Bg5 Qe8 | 19.Rde1 Ne5 | 20.Be2 Qa4 |
| 21.Qb2 Bd3 | 22.Bd1 Qxc4 | 23.f4 Ng6 | 24.Bb3 Qb5 |
| 25.h4 Rae8 | 26.Re6 Nxf4 | 27.c4 Qc5 | 28. … |

**QUESTION :**
**White to win**

### Puzzle 1131 Solution :


**45. …h4+46.Kf3 Nd2+** Opening the line from e1 to g3. Opening the line from g3 to e1. **47. Rxd2** Blocking square d2.
47.Qxd2 Qe4#
**47. ...Qg3+ 48.Ke2 Re1#** Killbox mate
**0-1**



Title : Anime
By : Areinu Maibam
Class : I Roll No. : 49 Sec. : Marigold
School : SL Arena of Learning



Title : Aquatic Fish
By : Th. Athoiba Luwang
Class : III Roll No. : 39 Sec. : Daffodil
School : SL Arena of Learning




Title : Elephant
By : Thoudam Devson Meitei
Class : III Roll No. : 1 Sec.:
School : Kangleipak Modern School, Singda



Title : Khongjom War Memorial
By : Goutam Singh
Class: III Roll No. : 3 Sec. :
School : Impetus School, Thinungei



Title : Ice cream
By : Hellysana Hidangmayum
Class: KG Roll No. : Sec. :
School : The Elangkeina High School, Elangkhangpokpi



Title : A Deer
By : Ch. Jemson
Class : IV Roll No. : 27 Sec. :
School : Kangleipak Modern School, Singda



Title : Khongjom Hills
By : Joshika Chanu
Class : II Roll No. : 6 Sec. :
School : Impetus School, Thinungei




Title : A Flower Pot
By : N. Lamnganbi
Class : II Roll No. : 20 Sec : A
School : Maheilen



Title : Goku
By : Mangal Wangjam
Class : II Roll No. : Sec. :
School : Eramdam Maheikol, Langmeidong



Title : Anime Girl
By : Manimukta
Class : V Roll No. : Sec :
School : Heritage Convent



Title : Anime
By : Mitali Elangbam
Class : V Roll No. : Sec. :
School : Heritage Convent




Title : Scenery
By : Pibathoi
Class : VII Roll No. : 37 Sec. :
School : Maheilen Education Centre



Title : Khongjom Hill
By : S. Priyabati Devi
Class: V Roll No. : Sec. :
School : Impetus School, Thinungei



Title : Flower Pot
By : Th. Thaja
Class: I Roll No. : 28 Sec. : Rose
School : SL Arena of Learning



Title : Deer
By : M. Vishal
Class: I Roll No. : 16 Sec. : B
School : Maheilen Education Centre, Haotal

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com